ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯷꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, সেপ্টেম্বর ১৬, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ১৭১ শুবা মশীং

# ত্রাফিক রেগ্যুলেসন্স

## থবক্তা ওন্থোকপা ঙম্বসু চংই

নোভেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) গী সেকেন্দ ৱেভকী অকনবা চৈথেং খম থেংনা ফংলুরে। অপূনবা পোজিটিভ কেস, ফগৎলকপগী মশীং অমসুং কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংগী ৱা নত্তনা লায়নাসিনা লৈখিদবা মীওইশিংগী অপূনবা মশীং ১৮১৭ য়ৌখ্রে। অদুবু লৈঙাক্কা লৈবাক মীয়ামগগী অকনবা হোৎনজমন্দগী হৌজিক খরা শাফরক্লে। পোজিটিভ ওইবগী চাং, শিবগী মশীং শিংথানবা য়ানা হন্থরক্লে। নাকল অমরোমদনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংসু লাখ ১৫ হেঙ্গৎলক্লে। পূম্নমক ফদুনা তমথীরবা লায়নাসি মণিপুরদগী মরূ ফংনা মুৎখিবা ওইরসনু। অদুবু কোভিদকী ফীভমসি খরা শাফরকপদগী নোংমদা পুং ২৪ থম্লম্বা কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৌথোকখ্রে। ওফিস, বেঙ্ক অমসুং বিজিনেস ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংগী এক্টিভিটি অয়াম্বদা রোষ্টর সিষ্টমদা পাঙথোকহনবা খরা য়াওরবসু এক্টিভিটি অয়াম্বা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লে। মসিনা মরম ওইদুনা মীয়াম তিনবা মফম অমসুং লম্বীদা গাড়ী চৎনবা, খাম্বগী চাংসু হেঙ্গৎলক্লে। কোরোনা মমাঙগী ফীভমদুদা তপ্না তপ্না হঞ্জিল্লক্লে।

ওইরক্লিবা ফীভমসিদগী হন্দক নুমিৎ নীনি হুমনিগী মমাঙদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর/দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা উরিপোক কান্টিন লম্বী অমসুং রিমস রোদতা চৎনগদবা ত্রাফিক সিষ্টম অমা ওফিসল ওইবা ওর্দর অমা থোক্কুনা খঙহল্লকখ্রিবসি ওন্থোক্লা ফজখ্রবা থবকনি। সিষ্টম অসি চৎনহনগনি হায়রকপগী মরমশিং অসিসু য়াম্না চুম্মী। লম্বী অনীসিবু শীজিন্নরিবা মীওইশিংদা নত্তনা লম্বী অনীসিগা মরী লৈনবা ইষ্টাব্লিশমেন্ট পূম্নমক্কীসু অফবা খোঙথাংনি। হায়রিবা সিষ্টমসি হান্নসু চৎনখিবা লৈখিবনি। কুইশিল্লক্লকান্দা ঈয়াইগী কোঙ্গোল তাকখিবগুম তুমখিবগী ৱানি। হায়রিবা ত্রাফিক রেগ্যুলেসন সিষ্টমসি লম্বী অনীসি খক্তুদা নত্তে। মী কূংনা চিনখ্রবা থাঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেল পরিংদসু লৈরি। অদুবু লুরিবদি অনৌবা সিষ্টম অমা হৌদোকপসি নত্তে। হৌদোক্লিবা সিষ্টমদু থবক্তা ওন্থোক্কুনা চৎনহনবনি। হৌজিক মণিপুরদা টোটেল প্রোহিবিসন এক্ট চৎনরি। অদুবু মসিগী ৱাহন্থোক লৈহনবা ঙম্লক্তবদগী অয়াবা পীরগা য়ু শুংহল্লগা মপান্দা থাদোক্কনি হায়না মফি শেন্নক্লিবসিনি। মরম অসিনা ষ্টেটসিদা হৌজিক 'নীদ ওফ দি অৱর' ওইরিবা ত্রাফিক রেগ্যুলেসনগী থবক্তুদি ওর্দরসু থোকপা, থবক্তসু ওন্থোকপা ঙম্বা চঙই। মরম অসিনা থিওরি ১০০ খঙববুদি প্রাক্টিকেল অমা হৈবনা ফৈ হায়বা শ্বামি শিবানন্দগী ৱাফমদু কাউহন্নীংদে।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৬

১) ***''তাইবঙ মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা,/পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা,/হে উনা! পুন্সি লোল্লমাল্লে,/উফুল্লক্তা তাইবঙ খোঙগাওনরেদো।/নফম লেঙদ্রিঙৈ নপাল ফরিঙৈ,/মালেম নুংশা মৈনা চাক্লিঙৈ,/শাইদাংলম্বা ঙাক্লি নহাক্কী,/তৌবিমল লমন শিংলরে নেৎপনা।''*** শৈরেং মতেক অসি মমিং য়াম্না পন্নবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) ***''শৈরেংগী খুঙ্গং''*** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

৩) ***''বাংলা সাহিত্যগী ইতিহাস'*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৪) মণিপুর মপানগী শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিকনি ***''পুন্সিগী মীৎকূপ অমখক''*** হায়বসিগী অইবা অসি কনানো অমসুং করি লমগী অইবনো?

৫) ***''খোইয়ম লাইয়িংথৌ চীংঙু লাইমরূ সিদবা ও, তাইবঙ নোংসাপান ওইনা চীংঙু নথৌজানগী উনবী মচেঙ হকমা-ওই, লৈরাং য়িমজংনবাবু চীংঙু নঙগী সমু হকসাংলেনবু পূঙমদরে, হায়না তৎনা ৱাননা খাংলমএ, অদু নোংগীবু লোইদাম অতৎ অৱান থাও তৌনা কৌএ।''*** ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৫গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১, ২)
২) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২)
৩) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২)
***৪) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (২, ৩, ৫)***
৫) দোনেশ্বরি থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেজোর মমাঙ লৈকায় - (১, ২)
৬) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১, ২)
৭) ইবোমচা ওইনাম, শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক - (১, ২)
৮) থোঙ্গ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১,২)
৯) য়ূম্নাম ইবোচৌবা, হাওরৈবী মখা লৈকায় - (১, ২)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২৫গী ৱিন্নর*

*অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়*

**হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লম্বী চথোক-চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা লিটরেরি ক্যুইজ ২৫গী অহানবা মনা ফংলবা মীওই অদুগী মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা শেলগী মনা অসি হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৫গী পাউখুম

১) ***''রাধা কৃষ্ণগী অচেৎপা ফোঙদোকপা''*** হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো? ***:- শ্রীথোকচোম ইবোহল সিংহ; (শ্রীশ্রী গোবিন্দজিউ পালা নহা হঞ্জবা, পুংগী ওজা; জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমি, অহানবা ফোঙবা, ১৯৯৮ ইং।***

২) ***''লীশীং অমা শুপ্না মরিফু মরিগী মমা'*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবা ওরিজিনেল লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো? ***:- 'হাজার চৌরাসির মা' হায়বা মহাস্বেতা দেবীনা ইবা লাইরিক্তগী নাওরেম খগেন্দ্রনা হন্দোকপনি। (অহানবা ফোঙবা : নবেম্বর ৩০, ২০১৩)***

৩) মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবা লাইরিকনি ***''লম্বীসিদা''*** হায়বসি। লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমদি অইবসি কনানো? ***:- নোভেলনি; অইবা - হামোম প্রবিত; (অহানবা ফোঙবা, এপ্রিল, ২০১৬)***

৪) ***''ঙমখৈ নাইদনা হাঙলবা/অহাঙবগী লামায়সে থন্না/ইরি অহাঙবগী শৈরেং,/শৈরেংগী ৱাহৈ অমমম্না/লীরি ফজবগী লোইনাইদ্রবা ৱারী।''*** শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেং মতেকনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপা শৈরেং মতেকনো? ***:- বিরেন্দ্রজিৎ নাওরেম; লাইরিক্কী মমিং - পুন্সিনা পুরিবা মঙ; লৌথোরক্লিবা শৈরেংগী মমিং - ফজবগী ময়াই। (অহানবা ফোঙবা, ওগষ্ট, ২০১৬)***

৫) মঙাংগুরু পুন্সিবনা লূৱাং খুন্থিবগী মফমদা তাকপীখিবা ***''মীওইবগী পোকপা, শিবা অমদি শিরবা মতুংগী খোঙফম''*** গী অথুপ্পা মরোল খরা ইরিবা লাইরিক্তু করি লাইরিকনো? ***:- লাইরিক মমিং - পোনবী-লাং; সম্পাদন তৌবা - নিংঙোম্বা মনিজাও (মথক্তা পীরিবসি লাইরিকসিগী মরমদা ৱাহৌদোক ওইনা শ্রীমীনকেতন সিংহনা ইবা ৱাহৈ পরেংনি; অহুমশুবা খূৎনম - ইং ১৯৮৬)***

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৪৩

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মমাঙ মমাঙগী ইস্যুশিংদা মণিপুরগী শুমাং লীলানা খুন্নাই মীয়ামদা লৌরিবা থৌদাং অমদি মতম মতমগী ওইবা লৈঙাক পথাপকা মরী লৈনবা, হকশেলগী মরী লৈনবা অমদি অচৌ অচৌবা লৈঙাক্কী প্রোজেক্ট প্রোগ্রাম কয়াগা মরী লৈনবা পাউজেল পুবা লীলা কয়া অমা গভর্ণমেন্টনা স্পোন্সর তৌদুনা পুথোকখিবা কয়া অমা লৈখ্রে। হৌজিক ফাওবদা চয়াম পোকপা থিংবগী মতাংদা শান্নখিবা লীলা মীয়াম্না কাউবা ঙমদ্রি। অমরোমদা ঐচ আই ভি/এইদসনা মালেমগী মীয়ামদা লান্দারক্তুনা পুন্সি কয়া পিখম্নরক্লবা মতমদা মদুগী মরমদা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা ওইনা মদুগী পাউজেল পুবা শুমাং লীলা (খোইমুগী দশা) পুথোক্তুনা য়েংনখ্রে। অদুগুম্বা লীলা কয়া অদু ঙসিসু অয়েংবশিংগী থম্মোয়দা লেঙদনা লৈরি। কাউবা ঙম্নদ্রি। মদুগী মরম হায়ববু নিতি কায়দনা, ৱারী পরিং চুম্না অমদি পীনীংলিবা পাউজেল অদু ময়েক লানা পীখিবা অদুনা মীয়াম্না পাম্নখিবনি। অতোপ্পা লীলা কয়া অমসু শান্নখিবা উনখি। তশেংনদি গভর্ণমেন্টকী লীলানিবু হায়রদি ময়াম্না য়েংনীংবা ফাওদে। অদুবু করম্না পাম্নহনগদগে, য়েংনীংহনগদগে হায়বা কাঙলোন অদু চুম্না শান্নরগদি অদুমক পাম্লে। লিদৌরিবা ৱারীদু খূৎলি অদুদা লৈরে। পাউজেলদি চপ মান্নবা, অদুগা ৱারী খূৎলিদু য়েংদৌরিবা মীয়ামগী পূক্লিং ইহুল খঙনা লীবা অমা চঙই। শুমাং লীলা হায়সিদি খরসু নোকপা, খরসু নুংঙাইহনবা মথৌ য়াম্না তাই। ৱারী লুহনবা শুংয়া য়াদে। হেক লুহল্লুবদা ফম্না য়াম্না ফবা পাউজেল য়াওরসু হেক্তা নুংঙাইতে হায়বজাৎনি। য়াম্না ইন্টিলেকচুএল ওইবা মীনা য়েংবসিদি মশীং য়ামদে, মখল শুবা ভাবোক ওইবনিনা অয়াম্বা পর্সেন্টেজদা য়েংবদা নুংঙাইগদবা মওং অদু ঐখোয়না য়েংদবা য়াদবনি। ফাগি ওইনা সুম সুম হায়রম্বদগী সেরিয়স ওইশিল্লগা, হায়নীংলিবদু থুনা হায়হৌবা মসি য়াম্না মরু ওই। অদুগা অতোপ্পা অমনা শুমাং লীলা হায়সিদি এক্টরস সুপরমেসি প্লেনি হায়নরিবনি। অদুনা এক্টরশিং অদুগী ফ্রী অমা থাবা তাই, স্ক্রিপ্টতুনা য়াম্না কন্না ক্রক-ক্রক লাউনা কোনশিল্লসু য়েংবদা নুংঙাইতে। অদুনা খরা কোমলপ থারগা লীলাদু শান্নবা মথৌ তাই। মমাঙঙৈ লৈখিদ্রবা তখেল্লম্বম চাওবা, তখেল্লম্বম ৱ্রজবিধু (হেমলেট শাবা) ওজাশিং অদুনা শান্নখিবা চয়াম পোকপগী লীলাদু হৌজিক ফাওবা অদুম নুংঙাইরি। মদুদা নুংঙাইনবগী মচাক য়াম্না য়াওরি। মচাকশিং অদু হৌজিকসু তগৎ-তগৎ তেক্লি, অদুননি হৌজিক ফাওবা নুংঙাইরিবা। চয়াম পোকপদুনা, মাগী য়ূমলোন্নবা মচা অনীদগী হেন্না পোক্তবা, ইনাক খুনবা অদুদা হায়খিবা দাইলোগ অদু হৌজিকসু মতমসিগা চুনরি। ইনাক খুনবদুনা লায়রবদুগা য়ূমলোন্নবদা মোইগী অৱাবা লৈতবা কয়া মতেং পাংদুনা লাকপনি, লায়সু লায়রবা, শুসু শুনীংদবদগী সুম নিবা হেনজিল্লকপদগী নোংমা লায়রবদুদা হায়, - তাদা ঐ য়ূমসি হোংদবা য়াদ্রে। অদুদা লায়রবদুনা শৎ লাউনা খুম্মী, - য়াইনে, ঐসু য়াওনা হোংলগে ইচিন ইনাও পূন্না লৈমিন্নবা। য়াম্না নুংঙাইবা দাইলোগনি অমুকসু, মচা ময়ামদুনা লাইরিক লাইশু নিংথিনা তমদ্রবনিনা, মীগী মপোৎ মচৈ হুরানবা তৌরকই। নোংমসু মচানুপা অমনা মীগী দুকানগী পাকসিদগী শেল হুরাল্লুবগী ফারে, অদুগা ফূবিরে, মদুদা মপাদুনা য়াম্না ফজনা শেমদোক্তুনা হায়বা লোনদু হৌজিকসু মীয়ামগী থম্মোয়দা লৈরি - মাদি অঙাংনিনা খঙজদদনা মীগী পাকসিদা য়াওরিবা শেলদু পায়দুনা শান্নরুবজাৎনি অদুদা হুরানবনি হয়না ফাবিবনি। চুম্নগী লীলা অমা শান্নবগা, হেল্থকীবু ওইরো, ইস্যু অমদা য়ূম্ফম ওইবা প্লে অমা শুমাং লীলা ওইনা শান্নবা হায়বা অসিদি য়াম্না লুই। লৈরিবা ফোর্মেট অদুগা কন্টেন্ট অদুগা য়াম্না চানগদবনি। কন্টেন্ট অদু ঙাক্তা পুথোক্লগা ফোর্মেটতুনা ইন্নবা য়াদে। ফোর্মেট অদুদা কন্টেন্ট অদুনা মওং মরীল চুম্না চঙশিনগদবনি।

মতম মতমগী ওইবা হেল্থকী ইস্যু কয়া লেপ্তুনা থোরকই। থোরক্লিবা ইস্যুশিং অদু মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবগীদমক মরী লৈনবা লোয়শঙশিংনা শিন্দুনা মীদিয়াদা (প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক্স)/ত্রেদিসনেল মীদিয়া/আই ঈ সী/রেদিও জিঙ্গল) ওইনা মীয়ামদা শন্দোক্তুনা তাহল্লি, ইদুনা পাহল্লি। মদুসু য়াম্না কান্নবা মচাক অমনি। হৌজিক কোভিদ-১৯গী অচৌবা ইস্যু অমা থোরক্লে। ইস্যু অসিগী মতাংদা এৱ্যের্নেস ওইনা মখল কয়াদা মীয়ামদা য়ৌহন্নবা ফম্না নিংথিনা হোৎনবা থেংনৈ। কোরোনাগী লাইচৎ অসিদি মী পুনবা য়াদবনিনা ঈশৈ নোংমাইদা, শুমাং লীলাদা উত্তুনা মীয়ামদা য়ৌহন্নীংবা কয়া অদুমদি খুদোংচাদবা ওইনা থোক্লে। অদুবু ইকুই কুইদনা শুমাং লীলা অমদি দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সনা স্পোন্সর তৌদুনা শান্নখি। কোয়না চৎতুনা মীয়ামদা উহনবা নত্তবনিনা কা হেন্না মদুগী কান্নবদু মীয়ামদা ফংখিব্রা ফংখিদব্রা হায়বদুমদি হায়বা ঙমখিদে। অদুবু তৌরিবদুমদি য়াম্না ফৈ হায়না খল্লি।

শুমাং লীলা হায়বসিদি মণিপুরদা লৈরিবা পর্ফোমিং আর্ট পূম্নমক অসিদগী খরা তোপ্পী। ইনীংই হায়দুনসু লাইরিক ইবা হৈবা অমনা হেক্তা ইবদা মপূং ফাবদি ঙমদে। লাইরিক ইবা অমনা ইরিবা ফজবা ৱারী অদু শুমাং লীলা মুন্না খঙবা, ইবা হৈবা অমনা শেমদোক শাদোল্লগা ইথোল্লবদি য়াগনি। শুমাং লীলা হায়সিদি লীলা পার্টি অমনা শান্নদ্রিঙৈ, ইরিঙৈদগী হৌনা শুমাং লীলাগী নুংঙাইবা-নুংঙাইতবা হৌরবনি হায়বমক য়াই। ইদৌরিবা রাইটর অদুনা মানা শাগৎলিবা করেক্টরশিং অদু, অদুনা অদু শাবা হায়না মাগী ৱাখলদা হান্না লৈখ্রবনি, অদুনা এক্টর অদুনা পকচগদবা মওংদা ইবা হৌরিবনি। অদুনা মাগী কোক্কী মীৎতা মানা ইরিবা সিচুয়েসন/দাইলোগনচিংবশিং অদু ফন ফন চোংথোরক্লিবনি। ইবা লোইরগা আর্টিষ্টশিংগা পূন্না পাবদসু অদু মঙাই। তাবতদা লীলাদুগী মশক অদু মীৎতা অদুম উবা ঙম্মী। অদুনা ইরায় লায়না স্ক্রিপ্ট সেলেক্সনগী পাবা লোইবা মতমদা লীলাসি নুংঙাইনি নৎত্রগা নুংঙাইরোই হায়বসি ইরায় লায়না উবা ঙমগনি। তৌবতবু মপান থোংগী ওইবা হকচিনবা ৱাখল য়াওদনা তাবা কাঙবুনা ইরায় লায়না ফজগদবা লীলা অমবুসু সিদি হয়েং শান্নবদা ফজরোই গাইনা হেক্তা তয়াঙ তয়াঙনা হায়দোকপা লৈ। লীলা মমুৎ তানা খঙবনদি লীলাসিগী মমায় লৈথোক লৈশিন তৌরগা ফজহনগদবা এরিয়া অদু য়াওনা উরগা লীলাসি শান্নবদা মায় চোপ্পোই হায়না উবা ঙম্বসু লৈ। অদুনা ফজরোই হায়না খন্দোল্লবা লীলাদু শেমজিন শাজিল্লগা শান্নবদা য়াম্না হেন্না মমিং চৎপা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। অমনা স্ক্রিপ্ট সেলেক্সন অসি য়াম্না নাতৈ চাদবা য়াওবসু লৈ। মসিদি লীলা পার্টি অদুগী মনুংদা থোকপা ৱানি। লীলাগী স্ক্রিপ্টতুমদি য়াম্না ফজরবা, অদুগা মানা শাগনি হায়না খনবা রোল অদু মহাক্না খজিক পাম্বা ৱাৎলবা অদু ওইরবদি লীলাদু সেলেক্সন তৌদনবা মরৈ য়েৎকনি। মদু খঙবা পার্টিগী লিদরনা নঙগীদু ঐ খঙই, রোল অদু অদুৱাইদা শেমগৎলগা য়াগনি হায়না মানা য়ানীংনবা ৱারোল শুগাইনা থমদ্রবদি অফবা স্ক্রিপ্ট অদু হেক্তা শান্নদে। য়াম্না নোক্লিংবা অমদি নুংঙাইবা মতাং লীলা পার্টিগী মনুংদা অনৌবা লীলা অমা শান্নরমদাইদা তোয়না থোকই। লীলা পার্টি মনুংদা য়াওরিবা এক্টর খুদিংমক মখোয় মশা মশানা লোয়নমক মাষ্টরনি খঞ্জবসু লৈ। অদুনা ৱা ঙাঙনবা ইনুং নুংঙাইতবগসু য়াওরিপোৎনি।

অসিগুম্বা কয়া অসি মুন্না খঙদনা মরৈ ওইনা ঙাঙনরদি পার্টিদু ইকুই কুইদনা হেক্তা কায়গল্লি। অদুনা য়াম্না চেকশিন্না হায়নীংবা কয়া লৈরবসু মতাং মতম চাদনা পংহায় হায়বা য়াদে। মরমদি ইগো ৱাংবা এক্টর য়াওরল্লবদি ঐ য়াওদ্রগা মোই কমাই তৌগে য়েংগে হায়না তোক্লবা অঙ্ক হোৎলক্কনি। মদুদনি লীলা তোয়না কায়নরিসে। অদুবু হৌজিক্তি কাঙলোন অমনা চহী অহুম পুন্দুনা থম্বদগীদি খরগী মখৈদি ফরে হায়না লৌবা য়াই। নৎত্রবদি থা অনী অহুমদা লীলা তোয়না কায়বা মীয়াম্না অদুম মমাঙঙৈদা থেংনখ্রিদুনি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৭৯

**উসম ধনঞ্জয়**

**জন্যুৱারী ১৫, ২০১০ ইং :-** চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবী হয়েং তাং ১৬তা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী লখামাই অমদি উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী নামরে অমসুং জেসামি চৎকদৌরি। খোঙচৎ অসিগীদমক লৈঙাক্লা অকনবা চেকশিন থৌরাংগী থবকশিং লৌখৎপা লোইখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরগী মফম অহুমগী খোঙচৎ অদু ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকী পৱন-হন্স হেলিকোপ্টর তোংদুনা চৎকনি। তোঙান তোঙানবা হেলিপেদ মফমশিংদগী ফঙ্কসন মফমশিং অদু তান্না চৎপদা চীফ মিনিষ্টরনা তোংনবা বুল্লেট প্রুফকী এম্বেসেদর কার অহুমসু থৌরাং তৌদুনা থমখ্রে। চীফ মিনিষ্টর ঙাকশেন্নবগীদমক মহাক্কী সী আই এস এফকী এস এস জি কম্মান্দোশিংসু মফমশিং অদুদা থমখ্রে হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরগী হয়েংগী খোঙচৎ অসিদা তোংগদবা পৱন-হন্স হেলিকোপ্টর অদু পাইলোট অমসুং এঞ্জিনিয়রগা কোন্ননা ঙসি মন্ত্রিপুখ্রিগী আই জি এ আর (সাউথ) তা থুংলখ্রে। ক্রু মেম্বরশিংসু লাকখ্রে। খোঙচৎ অসিদা খরা পীকথবা চেটক হেলিকোপ্টর অমসু শীজিন্নরবা য়াই। খরা চাউবা এম আই ১৭ হেলিকোপ্টর অমা ৱায়নবা তৌবদা শংনদবদগী পৱন-হন্স ওইনা শীজিন্নগদবনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসি হয়েং অয়ূক পুং ৯ তাবা অদুৱাইদা কংলাদগী খোঙশানগনি। সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লখামাইদা হান্না চৎকনি। মফম অদুগী খুঞ্জাশিংদা চীফ মিনিষ্টরনা ৩৩/১১ কে ভি পৱার সব ষ্টেসন অমা শঙ্গাদুনা খূৎশিন্নরমগনি। মদুগী মতুংদা উখ্রুলগী নামরৈদা ৩৩/১১ কে ভি পৱার সব-ষ্টেসন অমসু শঙ্গাগনি।

ইকোন কোনবা ওইনা জেসামিদা চত্তুনা নৌনা শাবা এস দি পি ও ওফিস অমা হাংদোকপদা নত্তনা জেসামি এস দি সী সর্কলবু রেভিন্যু/টি দি সব দিভিজন ব্লোক ওইনা অপগ্রেদ তৌরে হায়না লাউথোক্লমগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরগী হয়েংগী খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা ঙরাং জেসামিগীদমক আই জি এল ও থ্রী , ডি জথাংনা লুচিংদুনা এস এস জিগী প্লেটুন অমা চঙশিনখ্রে। দি আই জি রেঙ্ক ফোর, এম সুশিলকুমার, আই জি এল ও ৱান এম কর্নজিৎকী টিম অমদি সী আই দিগী ষ্টাফ খরসু মফম অদুদা ঙসি চঙশিনখ্রে হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরগী হয়েংগী খোঙচৎ অসিদা মিনিষ্টর খরসু য়াওগদৌরি। অদুবু চপ চাবা কনা কনা য়াওগদগে হায়বদুদি খন্নবা ঙমদ্রি। পৱন-হন্স হেলিকোপ্টর অদুদি চীফ মিনিষ্টরগী টিম অমা পুদুনা শোয়দনা চৎলগনি। অতোপ্পা চেটক হেলিকোপ্টর অদুদি লাকপা লাক্তবা চপ চানা কনফর্ম তৌবা লৈত্রি। মসি হয়েংগী ৱেদর মখা পোন্না চৎপা চত্তবা লেপকনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

**জন্যুৱারী ১৫, ২০১০ ইং :-** চহী কয়া পাঙথোক্তনা লাল্লবা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখলগী থবক থৌরমশিং চহী অসিগী এপ্রিল ৩০গী মমাঙদা লোইশিল্লগনি।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল মীখলগা মরী লৈননা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি টি দি/হিলস এন পি গোলমৈনা প্রিসাইদ তৌদুনা ঙসি নুংথিল ওল্ড সেক্রেটেরিএটকী কনফরেন্স হোলদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে। দি সীশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল মীখল পাঙথোক্লবগীদমক টেন্টেটিব প্রোগ্রাম অমসু লেপথোকখি। প্রোগ্রাম অদুগী মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল মীখলগী থবক থৌরমশিং চহী অসিগী এপ্রিল ৩০ ফাওবগী মনুংদা লোইশিনবা হায়না য়ানখি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল মীখল অসি এপ্রিল ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা ষ্টেট কেবিনেটনসু ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল ইলেক্সন রুলসু পব্লিশ তৌখ্রবনি।

মীফম অদুগী মাঙওইননা চীফ সেক্রেটরি দি এস পুনিয়ানা চ্যের লৌদুনা লৈঙাক্কী লমদা লাইশঙ শাজিনবগী মতাংদসু খন্নখি। মীফম অদুদা মরু ওইনা লৈঙাক্কী লমদা ধর্ম্মগী ওইবা লাইশঙ শাজিনবা য়ারোই হায়না সুপ্রিম কোর্টনা তাখিবা রাই অদুগী মতুংইন্না ষ্টেটশিংদগী এফিদেভিট পীরক্লবা ৱাফম অদু খন্নখি।

মীফম অদুদা ষ্টেটকী ওইবা ৱারেপ অমা লৌখিদ্রবসু হীরম অসিগী মতাংদা খরা কূপ্না খন্ননবগীদমক মতম খরা লৌবা হায়না ফোঙদোক্লবগা লোয়ননা তহ্ তহানা এফিদেভিট থাদবা হায়বা ৱাফম অমদসু য়েৎনবা লৈতনা য়ানবা পুরকখি হায়রি।

**জন্যুৱারী ১৫, ২০১০ ইং :-** নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মমল ৱাংখৎলকপা থিংনবা ওফিসিএলশিংগী থাক্তা খঙহল্লকখ্রবসু থবক অমত্তা পায়খৎতবদগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী দরকার লৈরবদি পোৎ চৈগী মমল লেপ্পদা লৈঙাক্লা হকথেংননা খূৎ চঙনবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা খঙহল্লকপা লৈরে হায়রি।

কেন্দ্রগী মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ কঞ্জ্যুমর এফ্যেরস এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর শরদ পৱারনা কৈথেলদা পোৎ চৈগী মমল হেনগৎলকপা থিংনবা পোৎ চৈগী মমল লেপ্পগী থবক্তা দরকার লৈরবদি লৈঙাক্লা হকথেংননা খূৎ চঙবা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীদা চেরোল অমা থাদুনা খঙহল্লক্লে হায়না প্রেসনা ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ইন্সত্রক্সন মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা মার্কেট ইন্টিলিজেন্সনা চয়োলগী ওইনা কৈথেলদা পি দি এসকী পোৎলমশিংগী মমল খোমদুনা রিপোর্ট থাই। রিপোর্টশিং অদুনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী কৈলথাদা পোৎ চৈগী মমল হেনগৎপসি খঙলকপদগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী ইন্সত্রক্সন অসি লাকপা ওইরমগনি হায়না পাউ অসিনা হায়রি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা ইন্দিয়াগী লৈরিবা ষ্টেট খরদা পোৎ চৈগী মমল কা হেন্না খংৱাং ৱাংখৎলক্লিবা অসি থিংনবা কেন্দ্র লৈঙাক্লা লৌখৎলকপা থৌরাংগী মনুং চন্না মণিপুরদসু পোৎ চৈগী মমল কা হেন্না ৱাংলিবসি থিংনবা ষ্টেট লৈঙাক্লা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি হায়বগী ৱাফম য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী ইন্সত্রক্সন অদুদা পল্লকই হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

ইসেন্সিএল কোমোদিটিজ এক্ট ১৯৫৫ অমসুং প্রিভেন্সন ওফ ব্লেক মার্কেটিং অমদি মেন্টিনেন্স ওফ সপ্লাইজ ওফ ইসেন্সিএল কমোদিটিজ এক্ট ১৯৮০গী প্রোভিজনশিং খুদক্তা চৎনহন্দুনা কৈথেলদা পোৎ চৈগী মমল তাঙখৎহল্লগা শেন্দোং হেন্না ফংনবা হায়দুনা করবারৱালাশিংনা পি দি এসকী পোৎলমশিং ষ্টোক মতম কুইনা থমজিনবশিং থিগত্তুনা নম্ফুন্দা মখোয়গী মথক্তা মতিক চাবা চৈরাক পীনবগী ৱাফমসু ষ্টেট লৈঙাক্তা খঙহল্লকখি হায়রি।

**জন্যুৱারী ১৫, ২০১০ ইং :-** য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর এন বিরেননা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা শেমগৎ শাগৎলিবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিং য়েংশিনখ্রে।

স্পিসিয়েল প্লান্ট এসিষ্টেন্সকী মখাদা ৩শুবা ফেজগী ওইনা এম দি এসনা ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সি ওইনা পায়খৎপা স্পোর্টস কমপ্লেক্স শেমগৎ শাগৎপশিং য়েংশিনবদুদা স্পোর্টস মিনিষ্টর এন বিরেন, এম এল এ সুরচন্দ্র অমসুং য়াস দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংসু য়াওখি।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স শেমগৎলিবা অসিগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা য়াস দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর বোবি ৱাইখোমনা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স চান্দেলদা শেম্লিবা অসি য়াম্না খুমাঙ চাওশিল্লে, স্পোর্টস কমপ্লেক্স শেমগৎলিবা মফম একর ১৫ অসি চান্দেল খৃষ্টিয়ান ভিলেজনা কখোকপনি।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসিদা এঠলেটিক ফিল্ড, ভি আই পি গেল্লরি, পব্লিক গেল্লরি, বোইজ এন্দ গর্লস হোষ্টেল, ষ্টাফ ক্বার্টর, ইন্দোর ষ্টেদিয়মনচিংবা য়াওরি। কমপ্লেক্স অসি লুপা ক্রোর ১৫ চঙনা শাগদবনি।

বোবি ৱাইখোম্না হায়খি, কমপ্লেক্স শেমগৎকদবা মফমগী চয়েৎনবা খরা লৈবদগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতি খুমাঙ চাওশিনবা খরমখৈ ৱাৎলবসু হৌজিক হৌজিক য়াম্না কন্না শেমগৎ শাগৎলি। মতৌ অসুম্না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সসু হৌজিক হৌজিক য়াম্না কন্না শেমগৎলি হায়খি।

মণিপুরগী লেমহৌরিবা দিষ্ট্রিক্টশিং হায়বদি চুড়াচান্দপুর, তমেংলোং, বিষ্ণুপুর, উখ্রুলদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্স এন এল সী পি আরগী মখাদা শেমগৎনবা কন্না হোৎনরি হায়না পল্লদুনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি গ্রাউন্দদা স্পোর্টস কমপ্লেক্স শেমগৎনবগীদমক এন এল সী পি আরদগী অয়াবা ফংলে অমদি লুপা ক্রোর মাপন চঙনা শেমগৎকদবা অসিগীদমক ষ্টেট ফাইনান্স একাউন্টতা শেল চঙবগা থবক তৌবা হৌরগনি হায়রি।

হৌজিক হৌজিক স্পিসিয়েল প্লান এসিষ্টেন্সকী মখাদা জিরিবামদা শেমগৎলিবা মল্টিপর্পজ স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসিসু অথুবা মতমদা লোইশিল্লগনি হায়না পল্লদুনা বোবি ৱাইখোমনা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিং শেমগৎপা লোইশিল্লবা মতুংদা সব দিভিজনশিংদসু মিনি স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিং শেমগৎনবা দিপার্টমেন্ট অসিগী প্লান লৈরে অমদি মসিনা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং হেন্না হেন্না থোক্লকপদা মতেং পাংগনি।

জিরিবামদা পায়খৎলিবা মল্টিপর্পজ স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসিদি মণিপুরগী মপানগী ঈশিং নুংশিৎকা জিরিবামগা হায়রপ মান্নবনিনা মণিপুরগী নেসনল চেম্পিয়নশিপশিং শরুক য়ারুনবা খল্লবা শান্নরোয়শিং জিরিবামগী স্পোর্টস কমপ্লেক্স অসিদা য়ামদ্রবদা নুমিৎ তরানি ত্রেনিং পীগনি হায়না দাইরেক্টরনা মখা তাখি।

**জন্যুৱারী ১৫, ২০১০ ইং :-** ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফ্লেগসিপ প্রোগ্রামগী মখাদা ষ্টেট লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা টোটেল সেনিটেসন প্রোগ্রামদা চহী অসিগী ওইনা উৎলৌ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান লাইশ্রম শশিকান্তদা নির্মল গ্রাম পুরস্কার এৱার্দ পীখ্রে। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লাখ ২গী শেনফম য়াওরি।

ঙসি খুমন লম্পাক্তা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী কম্যুনিকেসন এন্দ কেপাসিটি দিভেলপমেন্ট য়ুনিটনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট অসিগী এঞ্জিনিয়র অনী এন সেখর ঈ ঈ অমসুং আই গোজেন এ ঈদা সেনিটেসন প্রোগ্রাম নীংথিনা পায়খৎখিবগীদমক্তা এৱার্দ পীদুনা ইকায়খুম্নখি।

এৱার্দ অসি হৌখিবা কুমজা ২০০৮দা মাল্লুং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান হৈস্নাম সুবাসচন্দ্রনা ফংখি।

ঙসিগী এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হায়খি, ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খুঙ্গংগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা টোটেল সেনিটেসনগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা কেম্প্যেন অসি চঙশিল্লকপনি। মসিগী মথক্তা স্কুলশিংদসু সেনিটেসন মপূং ফানা লৈহন্নবগী শরুক য়াওরি। চহী অসিগী মার্চ থাদগী টোটেল সেনিটেসন কেম্প্যেন অসি মপূং ফানা থবক তৌবা হৌরগা কুমজা ২০১২গী মনুংদা এ পি এল অমসুং বি পি এল কার্দ পায়বা য়ুমথোঙ খুদিংদা সেনিটেসনগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খঙহল্লকপা লৈখ্রে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।